# পুন্সি নুংশাংনা নুংঙাইনা হিংনবগী লাইৱা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

সী এ বিগী, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী, ঙমখৈগী, শেঞ্জা-থুমজাগী অমদি অতৈ ৱাথোক কয়াগী ৱাফমশিং অসি ঙাইহাক থৈদোক্তুনা থমদুনা মতৌ করম্না অসিগুম্বা ফীভম অসিদা পুন্সি নুংশাংনা, হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা হিংসিগে হায়বদুগী ৱাফম নৈনসি। পুন্সিদা তশেংনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমজবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী নীংজবনি, মরু ওইনা তুংগী যুম্বুরেল ওইগদৌরিবা নহা কয়াগী মঙলান্দা। লুরিবদি করি তৌরগা ঐখোগী পুন্সিগী অশেংবা নুংঙাইবা অদু ফংবা ঙমগদগে হায়বা খঙদবা অসিনি। মালেমগী মীওই অয়াম্বনা মখোয় মখোয়গী পুন্সিদা অশেংবা নুংঙাইবা পুরক্লবনি হায়দুনা হীরম খরদা মায় ওনশিন্দুনা নুংঙাইবা ফংনবা হোৎনরি। অহানবদা, খ্বাইদগী মশীং য়াম্না হায়বদি মীওই ১০০গী মনুংদা মরিফুতরা (৮০%) মুক্তি শেল য়াম্না পায়রবদি মখোয়গী পুন্সি য়াম্না নুংঙাইগনি হায়না খল্লি। অদুগা অনীশুবদা, ১০০গী মনুংদা য়াঙ্খৈ (৫০%) মুক্তি করিগুম্বা হীরম অমা নৎত্রগা খরদা মমিং লৈরবা, চৎলবা, অতোপ্পনা শক খঙবিরবা অদু ওইরবদি মখোয়গী পুন্সি য়াম্না নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি খন্নে। অহুমশুবদা, মসিগী হেক মখাদনা থবক কন্না শূদুনা শেল য়াম্না তানবা, ফম চাউখৎপা, কাখৎপা ঙম্লবদি মখোয়গী পুন্সি হেন্না নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি অসিনি। অসুম্না হায়রিবা হীরমশিং অসিদা মীওই অয়াম্বনা ৱাখল পূক্নিং পূম্নমক থাদদুনা পুন্সিদা নুংঙাইবা ফংনবা হোৎরি। হায়রিবা হীরম অহুমসিদা খল্লুদবা মীওইদি মশীং য়াম্না নেম্মি। য়াম্না চুম্বা ৱাফম্মি। হীরম অহুম অসিদা মালেমগী মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী অশেংবা পুন্সিগী নুংঙাইজবা ফংগনি খন্নে। অদুবু লাইবক থীবা হায়গদ্রা, অচুম্বা হায়গদ্রা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা য়ৌবা হায়বসে অরাইবা নত্তে অদুগা য়ৌবা ঙম্লবা মখোয় অদুগী পুন্সিদো তশেংনা নুংঙাইব্রা হায়রগদি মদুসু ওইরমদরে। ঐখোয় মীচম্নবু হেন্না নুংঙাইনা হিংবা ওইরম্মে।

হোয় শেল য়াম্না পায়রবা, মমিং য়াম্না লৈরবা অমদি থবক কন্না শূদুনা শেল য়াম্না তানবা অমদি মায় পাকপা ঙম্বা মীওই কয়াদি মখোয়গী মীচং শঙ্গ লৈরম্বা য়াই। অদুবু হংগদবা ৱাফমদি হায়রিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গী পুন্সিদা অশেংবা পুন্সিগী নুংঙাইবা হায়বদু পীরব্রা হায়বসিনি। য়ু এস এদা লৈবা হরভার্দ য়ুনিভর্সিটিগী সাইকোলোজিগী প্রোফেসর রোবার্ট ৱালদিঙ্গরনা দিরেক্টর ওইদুনা মীওইবনা মতৌ করম্না হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা হিংবগে হায়বগী খ্বাইদগী শেংবা চহী ৭৫ চঙনা থিজিন হুমজিনবগী শরুক ওইরিবা "হরভার্দ ষ্টদি ওফ এদল্ট দিভলপমেন্ট" অসিদগী ফংবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম খরা থল্লি। হায়রিবা থিজিনবা অসি কুমজা ১৯৩৮দগী হৌরগা কুমজা ২০১৩দা লোইশিনখি। থিজিনবা অসিদা মীওই ৭২৪ য়াওখি। মখোয় অসি য়ু এস এগী তোঙান তোঙানবা মফম অমদি খেন্নবা ইমুংদগীনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি কাঙলূপ অনী থোক্লো খায়দোক্লম্মী। অহানবা শরুক্না হরভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিং অদুগা অনীশুবা কাঙলুপ্না তোঙান তোঙনবা ময়ায় ওইরপ তৌবা অমদি লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা হরভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা তম্লকপা নত্তবা নহারোলশিংনি।

থিজিন হুমজিনবা অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা সাইকোলোজিগী




প্রোফেসর রোবার্ট ৱালদিঙ্গরগী মতৌ করম্না মীওইবনা হকচাং ফনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্বগে হায়বগী থিজিনবা অসিদা ফংলকপা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না মমাঙদা পঞ্জখিবা হীরম অহুম হায়বদি শেল য়াম্না পায়বা, মমিং য়াম্না লৈবা অমদি থবক কন্না শূদুনা শেল হেন্না তানবা অমদি য়াম্না মায় পাকপা হায়বনচিংবা অহুমসি অমত্তা য়াওরমদ্রে। মীওই ৭২৪ বু চহী ৭৫ চুপ্পা পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা মখোয়গী ব্রেন টেষ্ট তৌদুনা, ব্লদ টেষ্ট তৌদুনা, ইন্টরভিয়ু, ভিদিও রেকোর্দিং তৌদুনা তোঙান তোঙানবা পান্বৈশিং শীজিন্নদুনা মীওইবনা মতৌ করম্না হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা কনা কনানা মশা মউ ফনা নুংঙাইনা চহী মরিফুতরা হেন্না হিংবা ঙম্বগে হায়বগী থিজিংনবদা ফংলকপা মরুওইবা ৱাফম অহুমখক মহাক্না থল্লি।

অহানবদা, মতৌ করম্না পুন্সিদা মশা মউ ফনা, নুংঙাইনা হিংবা ঙম্বগে হায়বসি মীওই অদুনা মতৌ করম্না অতোপ্পগা মরী থম্বগে হায়বসিনি, মরুওইনা মহাক্কী ইমুং মনুংগা মীওইশিংগা অমদি মরুপ মপাংশিংগা। থিজিনবা অসিদা ফংলকপা ফলগী মতুংইন্না অসুম্না য়াম্না ফজবা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিনা মশা মউ ফনা পুন্সি নুংঙাইনা হিংবা ঙম্মী। মতাংসিদা প্রোফেসর রোবার্ট ৱালদিঙ্গরনা হায় মদুদি মীওই ময়াম অমা মরী লৈনবদা নত্তনা মরী অদু কয়া য়াম্না ফৈ হায়বগী ৱাফমসু থল্লি অনীশুবা ৱাফম ওইনা। ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাং য়াম্না লৈ হায়দুনসু লৈরিবা মরী অদু ফৎত্রবদি হকচাংদা কান্নবা অমদি ৱাখলদা নুংঙাইবা পীবা ঙমদে হায়না থল্লি। অফবা মরী থম্বা খক্তনা হকচাংদা অমদি ৱাখলদা অফবা পুরকপা ঙম্মী। অদুগা নাকল অমরোমদনা, থিজিনবা অদুদা ইমুং মনুং অমদি অতোপ্পা মরুপ মপাং লৈতবা নাইতোম হিংবা মীওইশিং অদুদগী হকচাং অসুম অসুম ফৎলক্তে অদুগা ৱাখলসু নুংঙাইরক্তে। অসুম্না মখোয়না চহী ৪০/৫০ শরুকপদা মখোয়গী হকচাং য়াম্না থুনা কিন্থরকই অদুগা মখোয়গী ৱাখলসু য়াম্না পিকথরকই, শোন্থরকই। অসুম্না মশা ফত্তবা হেনগৎলকই অমদি ৱাখলগী লায়না নাবসু য়াওরকই।

অহুমশুবদা, প্রোফেসর রোবার্টকী থিজিনবা অসিদা ফংলকপা ৱাফম অমনা ইমুং মনুংগী অমদি অতোপ্পা মরুপ মপুংশিংগা অফবা মরী থম্বা অসিনা হকচাং ফহনবতা নত্তনা, ৱাখল নুংঙাইহনবতা নত্তনা অফবা মরী থম্বা ঙম্লিবা মীওইশিং অদুগী নীংশিংবগী পাঙ্গলসু য়াম্না ফহল্লি। মখোয়না চহী ৮০/৯০ শুরফাওবদা মখোয়গী নীংশিংবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মরম অসিনি ঐখোয়না চহী ফনা য়াম্লবসু, ফনা অহল ওইরবসু মীওই খরা অমদি মশা মউ শেংনা অমদি নুংঙাইনা হিংবা উরিবা।

প্রোফেসর রোবার্ট ৱালদিঙ্গরনা হায় মদুদি, মীওই অমনা মহাক্না চহী (৮০) গী থমক্তা চঙশিল্লপদা করম্বা ফীভমদা লৈ হায়বসি মীওই অদুগী চহী ৫০ অদুৱাইদা করম্বা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা অমদি মরু মপাংশিংগা মরী থল্লকই হায়বসিগী মখা য়াম্না পোল্লি। মীওই অমনা চহী ৫০গী অসিৱাইদা য়াম্না ফবা মরী থম্বা ঙম্লবা মীওইশিং অদুদি মখোয়না চহী ৮০ শুরকপা ফাওবদা মখোয়গী হকচাং অমদি ৱাখল নুংঙাইনা লৈবা ঙম্মী। অদুগা নাকল অমরোমদনা চহী ৫০ শুরকপগী তাঙ্কক অসিদা মীওই অমনা ইমুং মনুংগা অমদি অতোপ্পগা অফবা মরী থম্বা ঙমদ্রবদি মহাক্কী হকচাং য়াম্না থুনা শোন্থরকই, শরূ শয়াং চিংকপা, নাবা ফাওরকই অমদি ৱাখলসু নুংঙাইতবা অসুম হেনগৎলকই। মমৈথংদদি য়াম্না থুনা শোন্থরক্তুনা, ঙন্তনা পুন্সি লোম্মী।

প্রোফেসর রোবার্টকী চহী ৭৫ চুপ্পা থিজিনবা অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্লে মদুদি পুন্সিদা তশেংনা নুংঙাইনা হকচাং ফনা হিংবা হায়বসি শেল য়াম্না পায়বনা নত্তে, মীংচৎ য়াম্না লৈবনসু নত্তে অদুগা পুন্সিদা য়াম্না মায় পাকপনসু ওইদে হায়বসিনি। খ্বাইদগী মরুওইবা নুংঙাইবা, পুন্সি নুংশাংবা পীগদবা মরমদি ইমুং মনুংগা, য়ূমথংনরিবা মীওইশিং অমদি মরুপ মপাংশিংনা নুংশি চান্ননা অফবা মরী থমদুনা হিংবা অদুনি। অদুবু ইরমদমদা শেল পায়র-পায়রবা, মমিং লৈর-লৈরবা মীওই কয়া লৈরি অমদি পুন্সিদা মায় য়াম্না পাকপা মীওই কয়া অমসু। অদুবু মখোয় অদুনা মীচম ঐখোয়দগী হেন্না নুংঙাইনা লৈ হায়বদি লানগনি। মীচম ঐখোয়না হেন্না নুংঙাইনদুম হিংলমগনি। ময়ামসু থেংনবিরল্লনি, উবিরল্লনি থোইদোক্লা শেল পায়জদবা, মমিংসু চৎতবা অমদি পুন্সিদা য়াম্না মায় পাকপসু নত্তবা মীওই কয়াগী ইমুং য়াম্না নুংশিনা হিংমিন্নবা অদুগা অমরোমদা শেল পায়বা, মীংচৎ লৈবা, পুন্সিদা মায় পাক্লবা কয়া অমনা পুন্সিগী অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদো য়াওদনা হিংলিবা। মখোয় কয়া অদুগী পুন্সিদো নুংঙাইবা মানবগী ৱানি মপান্থোংগী ওইনা মনুংদদি করিসু নুংঙাইপোৎ নত্তে। মপোৎ লিকপগা, অচাওরম, নাপল কাবগা অতোপ্পগা নুংশিনা লোয়নবা ঙমদনা হিংলিবা কয়া অদুনা করম্না মাশা মউ ফনা নুংঙাইনা হিংবা ঙমগদৌরিবনো। মশা মশাগীতা খনবনা চেক্কী পলনা ৱাংনা ৱাংনা খাজিন্দুনা য়ূমথংনরিবা মীওইশিংদা কৌ খোত্তুনা তিন্নদবনা মখোয়গী পুন্সি করিসু নুংঙাইনা লৈবা ঙমদে। অসুম্না নুংঙাইনবা হোৎনরকপদা য়ুদা, নিশাদা অমদি দ্রগনচিংবা পোৎলমশিংদা মায় ওনশিন্দুনা হিংলিবা কয়া অমা ঐখোয়না উরবা, তারবা কয়ানি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মশা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবা নুপীশিংগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খনবদগী শারমচৎ চৎপা কয়া ঐখোয়না থেংনরে, উখ্রে, উরি হৌজিকসু।

লোইশিল্লকপদা থমজনিংবদি, হকচাং ফনা, পুন্সি নুংশংনা, নুংঙাইনা হিংসি হায়রবদি শেল য়াম্না পায়বগী মথৌ তাদে, মীংচৎ য়াম্না লৈবগী মথৌসু তাদে অদুগা ইমুং মনুং ইচা ইশু, লোইনবী অমদি মরুপ মপাং ফাওবা কাউথোক্তুনা থবক কা হেন্না কন্না শূদুনা শেল হেন্না তাননবা হোৎনবগী মথৌসু তাদে। মথৌ তারিবদি লৈরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা, মরুপ মপাং, কৈরোই লৈকায়গা অফবা মরী থমদুনা নুংশিন্না হিংমিন্নবা, হকচাং শাজোল চাং নাইনা তৌদুনা অফবা চীঞ্জাক চাদুনা হিংবা অসিনি। অসিগুম্বা অফবা হৈনবী অসিনা ইশাবু হকচাং ফনা, নুংঙাইনা, পুন্সি নুংশাংনা হিংহনবতা নত্তনা ইচা ইশুশিংবু অমদি অতোপ্পা শেমগৎ শাগৎপিবদা হেন্না মতেং ওইগনি। নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবনা য়াইফরে। ●



# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ৱায়োং চাদবা ময়াম্না কুংশিল্লকপসিদা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

করিগুম্বা মতমদা চহী হংনবসি য়াওদবা নত্তে। ৱাফমসিমদি মীওইবা কাঙলূপসিনা লৈরিবমখৈদি হোংগদবা মান্দ্রবনি। ইশাগী কুঠি লৈবসি ফত্তে-নুংদে হায়বা য়াবা নত্তে। থাজবগী মতুংইন্না মহৈ-মশীন ফগৎনবা, দশা-লাংফম কোক্লবা মখল ময়াম অমা অসিগীদমক জন্ম কুঠি য়েংবা হায়বসি ঙসি ঙরাংগী নত্তে। চহী কয়া অমা অদুমক লৈরক্লবনি। ওজা পাঞ্জিসিসু হৈতে-নুংদে হায়বা য়াবা নত্তে। মখোয়গী খঙজবীদা জন্ম কুঠি য়েংবদা অচুম্বা কয়ানি। মরকসিদা চুমদবা খরসু য়াওদবদি নত্তে। মী অমগী জন্ম কুঠিবু কনাগুম্বা মশানা মশাবু লাইনি হায়জবা মহাক্না মৈ থাদোকহনবা মসিসু য়াওখিদে হায়বা য়াবা নত্তে। ঐগী লাইনীংসিনা মফরে খনবা মসিগুম্বা লাইনীংসিদি মুন্না খল্লুরবদি মীত্রংদা লাই নীংবনি হায়না লৌবদা অকায়বা হায়বা অদুমা ওইনীংঙাই ওইদবনি। কুমজা কয়াদগী লাইসিবু লৈরম্বগে? চহী হায়বা ঙমদবা মালেমসিদা পোকসু পোক্লমলোই, লৈসু লৈরম্মোই। মসিনা মসি ওইখ্রবসু হন্দক চহীগী ওইনা তৌখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট তৌনা-তৌনা অদুমক পাঙথোকখি। অঙম অথৌশিংনা বোইকোট তৌবগী খোঙজং হন্দোকপীয়ু, সঙাই ফেষ্টিবেলসি মণিপুরগীনি খঙনা-খঙনা, ঊনা-উনা সঙাই ফেষ্টিবেল অদুমক পাঙথোকখি। য়াম্না ঙকপা, য়াম্না থাজদবা মওংদা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯ হায়না থারিবা/ইরিবা পূম্নমক চহী কয়া শুরবগে হায়বা অসিমদি মীওই অয়াম্বনা খঙনদ্রবনি। মসিমদি ইথা থাজদনা ৱাৎপগুম তৌরবনি। শিংথানবা য়ারবা থৌদোক খুদিংমক মকোক্তা চহী লোইনা থাই। সঙাই ফেষ্টিবেলগীনা থাদে। অসুক য়াম্না মমিং চৎলবা সঙাই ফেষ্টিবেল চহী কয়া শুরবনো হায়বসিমা অদুমক খঙদনা মরৈদৌরি।

হন্দক্কী লোইশিনবগী থৌরমদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওই অমনা মমি-শামি ওইনা হায়খিবদা তরারক শুবনি হায়বা অমা মমি শামি তাহৌবা মদুগী মনুংদা...। চিন্না হায়বগী মহুত্তা সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯ সিগী মমাঙদা চহী অদুমা ইরম্বদা ফজবগী মথক্তা ফজবা হায়বদু শোয়দনা ওইরমগদৌরিবনি। মথংগী লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০দদি চহী হাপ্পীনবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা হায়জবগা লোয়নননা ফোঙদোকচরি। মসিনা মসি ওইখ্রবসু চিথ নান্থহৌবা কয়াসিদি নান্থহন্দুনা লৈহনবা অফবা ওইনবগী লম্বীদি থাজবা ৱাৎতুনা লৈদৌরিবনি। তৌবগীবুদি মীওই অমদা অতম্নবা হংবদা হন্দক্কী চহীগী ওইনা খ্বাইদগী হাওনা চাখিবা চাক এঞ্জাং কয়ানো? খুদক্তা খুমগদবা কনাসু লৈগদবা মান্দ্রবনি। ঙাইহাক খন্দনদি হেক্তমক খুম্বা থাজবা ৱাৎতৌরিবনি। অথু-অকায়গী পাইরক-লৌশিংদা হাথু-হাথু খুম্বনদি অচুম্বা হায়বদুমদি ওইররোইদবনি।

হন্দক চহীগীদি শেঞ্জাও পায়বা, মরন-মথুমনা চীংমুক ৱাংনা পৈদুনা লৈরবা গুলামজাৎ বাবুগী মচানুপী চাক্কৌবদুনা হেল্লে হায়নগনি। শরেং থোংবসু, পোরোম থোংবসু, ঙাক্রাগা শোইবুমগা থোংবসু, ঙাদা মথেল তরুক/তরেৎতি ওইগনি। অতাউবা থোংবদুনা চাউরিবা, য়ামদ্রবদা গ্রাম চামরিদি লূম্লমগদবা মাল্লবনি। চাক্তুনা হাওরিবা, করি চেঙনোবু খঙদে, ইমানা পোকপদগী চাবু চাদ্রি হায়বা য়াই। মথেল ফনা নিংথিজনা য়ামই। য়াম্মন্দনা নীংশিং-নীংশিং থিদ্রবদি হায়বা ঙমগদবা মান্দ্রবনি। হৈ মহী য়েল্লমদাইগী মতাংদুনা লুপা চাম্মা চৎপী অনৌবা অমমম চাক্লুক্তুগী মতাইদা তাঙ্গা অমদা হাপ্লগা দখিনাগী হিসাবতা নুমিৎতুগী ... ফঙদবা লৈতে।

ঈশিংসু, মহি অমদুসু য়েল্লি। শঙ্গোমসু বোট্টল অমমম, মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱা নত্তে, পামজবা খক্তনা লৌবগী ৱানি। নুমিৎ অদুদা তৌরিবা ধুম-ধামদু ঙসি ফাওবা কাউনদবা মীওইদি লৈরিবনি। চিথহৌবা অমনা ঐজ্ঞাদা বামোননা থোংবা অমা, মৈতৈ/মীতৈগী পুজারিশিংনা থোংবা অমা অনীবু থোক্লিবা পোৎনি। ঐজ্ঞাগী মখূৎ চাদবা ওজা খরদি মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী পুজারিনা থোঙবা অদোমদা চংনখ্রিবা পোৎনি। অমগী খূৎ অমনা চাদবা মসিগুম্বসিদি লংফৈ চৎত্রিবা মীনি হায়না লৌবদা য়ারবনি।

লংফৈ-তুফৈ হায়বসিদি অফং-অফংবা চাবা তাবনি। ঐদি অদুনি, অদানি হায়দুনা পোংথোক্তুনা লৈরুবা য়াবা নত্তে। মুন্না হেক খল্লুবদা মসিবু চুম্বানে? অদুনি অদানি হায়দুনা তোকা থিবসিদি নুংশিনবগী মরীদদি তাইওন্নবা হায়বা অদুমা ওইরবনি। মসিগী ৱাফমসিমা হৌজিক্কী মতমসিদদি খরদি হন্থবগুম তৌরবনি। অথিংবা ফনা য়াম্না লৈদুনসু ঐখোয়গী লমদমসিদদি থৌ ইশা শাদবগুম্বা অমা অদুমক মরৈবনি। ফনা য়াম্না অথিংবা সঙাই ফেষ্টিবেলদা বোয়কোট তৌরবসু অদুমক চৎতুনা... মসিদি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। লমদমসিদা য়াওদবা করি লৈরিবগে? চাক চারা অমগীদমক শোয়দনা হাৎনা শুনরকপা নোংমদি শোয়দ্রবনি। পাম্মুবগী ৱাখলসিমা ইয়াও য়াওনদবগুম্বা অমা লৈরকপা মসিমদি নোংমদি অশোয়বা লাক্তনিংঙাইদি লৈররোইদবনি।

লমদমসিদা চাকচা য়ুথক ফজখি, মাগী লুহোংবদা শেল অচোইবা ময়াম চাইখি। তৌদবা য়াদবদৌনা শিলচরদগী শামু লৌরুরগা মচানুপী লুহোংবদা তোংহনখিবা, কুইরবগী তুংদা থোরকপনিনা মীয়াম হুপ্না য়েংনখিবা নীংশিংনরি। গুলামজাৎ বাবুগী মচানুপীগী মঙানি চাক্কৌবা হৌজিক ফাওবা হায়নরিবনি। লৈজবী থাদনা পীজ-পীথক ফবা গুলামজাৎ লাক্কদৌরিবা তরানিথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ভোট লেপকনি হায়নরি। কাগদ্রা কারোইদ্রা খঙবা ঙম্বা নত্তে। মতৌ অসুম্না মথংদদি সঙাই ফেষ্টিবেলগী চহী মশীং শোয়দনা থারক্কদৌরিবনি। ধুম-ধাম পামজবা লমদমসিদদি হৌখ্রগা লোইরে খনবসিনা মশীং অয়াম্বা ওইনা তৌরবনি। নহাকথক্কীদি উচিন নাচিন্না ফরি। মচা হাক্তক্তা করি থোক্লগবা। চাক-এঞ্জাংদা অদুনা হাওবা হেল্লি, অদানা হাওতে হায়রিবসি লাম্বু লামদ্রবা শরেং থোংগেরা, থোংলোইরা হাওররোইদবনি। খ্বাইদগী হাওরিবসি য়াম্না লাম্লগা পুক থন্না চাবদুনি। মসিদগী হেনবা অতৈবু লৈরমগদবা মান্দ্রবনি। মশা-মশাগী জন্ম কুঠিবু মৈ থাদোকখিবা মশানা পাম্না তৌজবনি। মশানবু পামদ্রবা থাজবা ৱাৎলবনি। মথেল য়াম্মনখিবনা করম্বনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়বা ঙমদনা লৈদৌরবনি। পামজবনা তৌরবসু, পামজদবদি য়াওবীরুরনু অমুক্না য়াওশিল্লুরবা অহোইনদুনা হেনগৎখিদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৯**

১। বৃটিশনা মণিপুরবু ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা লৌশিনখিবদগী 'নেটিব রুল' শেমদুনা মখোয়না হাপ্পা নিংথৌ অমনা লৈঙাকখ্রে। অহানবা অদুগুম্বা নিংথৌদু চূড়াচান্দ মহারাজনা ওইখি। মহাক নরসিংহ মহারাজগী শুরোলনি।
(ক) মহারাজ চুড়াচান্দগী অপোকপগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহারাজ চুড়াচান্দবু লাইরিক তমহল্লুবা আজমেরগী কোলেজ অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা/থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ/থুক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা নুংশিবগী নুংশিৎ।" ফজখ্রবা কবি অমগী পাউরৌ ওইরবা, খোন্থানি। কবিদু কনানো?

৩। "অহীং অসে... ওইরক্কনি শোয়দনা নোংঙানবা/পুরক্কনি মানা/খোয়থুম্নরবা লৈহীসু/থক্কনি ঐনা পেন্না/অৱাবদি/মাগী লৈহী ঙাইবদা/থক্লি ঐনা হূগী হূ ঙাক্তা।" পরেংশিং অসিসু কবি যোদ্ধচন্দ্রগী ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি, চুমখ্রবা। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "লাইদি লাইনি/... মী ওইখিনু লাই নঙ/মী ওনখিনু লাই নঙ।" পরেং অহুম অসিসু "মী ওনখিনু লাই নঙ" কৌবা শৈরেংদুদগী লৌথোকপা ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি। অইবীদু কনানো?

৫। "উমরাউজানগী ৱারী খঙদবা কনাসু লৈরম্লরোই। ফিল্ম ওইনা কয়ারক উনখ্রবনি। অদুবু ফিল্মশিং অদুমক্তি মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী উর্দু নোবেল অদুদগী শেম্লকপা ঙাক্তনি। অদুদি নোবেল অদুবু মণিপুরীদা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোই অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।